# রথ যত্রা ফেষ্টিবেলদা মীওই লাক্ষ ১০ রোম তিনখ্রে



উরিষাগী পুরিদা পাঙথোক্লিবা কাং চিংবগী কুঙ্মৈ

*পুরি, জুলাই ৬ঃ*

নুমিৎ ৯ চুপ্পা পাঙথোক্কদবা কাং চীংবগী কুঙ্মৈ ঙসিদগী উরিষাগী পুরিদা হৌখ্রে। চহী খুদিংগী পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মীওই লাক্ষ ১০ রোম তিনখি।

রথ যত্রা পাঙথোক্কদবা পুরি সহরদা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি। কুঙ্মৈ অদু মপুং ফানা পাঙথোকপা য়ানন‌বগীদমক মরোল নাইনা ঙাক-শেলগী থবক পায়খৎলি। মফম কয়াদা সি সি টি ভি কেমেরাশিং থমদুনা কুপ্না য়েংশিল্লি হায়না দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস কে বি সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

কুঙ্মৈ অদু পাঙথোকপগী শরুক অমা ওইনা কাং চীংগদৌরিবা লম্বী অদুদা অকনবা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদা নত্তনা রেলৱে ষ্টেসন অমসুং বস ষ্টেসনশিংদসু অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলি।

অখন্নবা থৌশিল অমা ওইনা লেন্দ অমসুং এয়ার পেট্রোলিং চথগনি। কুঙ্মৈ অদু শরুক য়াবা লাক্লিবা মীওইশিংদা মতম মতমগী ওইবা ত্রাফিক মেনেজমেন্টকী মতাংদা সোসিয়েল মেদিয়াদসু খঙহনগনি। লোয়ননা পুরি পুলিস এদমিনিষ্টেসনগী ৱেব সাইটতসু থাগৎকনি হায়না সেনিয়র পুলিস ওফিসার সৌমেন্দ্র প্রিয়াদর্স্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্বু লমজিংনবগীদমক পুলিস অমসুং অতোপ্পা পার্সোনেল কয়াসু মথৌ তৌহল্লি। শ্রী জগনাথ টেম্পল এদমিনিষ্টেসনন‌া জুলাই ৫দগী ১৭ ফাওবদা অশোক অপন নংবা মীওইশিংদা লুপা লাক্ষ ১গী মতেং পীগনি হায়নসু লাউথোকখ্রে।

বল্লভদ্র, জগনাথ অমসুং সুভদ্রগী কাং অহুম গুন্দিচা লাইশঙ তম্না ঙসি মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না চীং দুনা পুখি। নুমিৎ ৭নি চুপ্পা লাইরেম্বা অমদি লাইরেম্বী অদুবু খুরুম্বগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ইষ্ট কোষ্ট রেলৱেনা কুঙ্মৈ অদুগীদমক অখন্নবা ত্রেনশিং থৌরাং তৌদুনা মীওই কয়া পুথোক পুশিন তৌননবা হোৎনরি। রেলৱেজনা অখন্নরবা থৌরম অদু য়াওননবা লাকপা মীওইশিংদা রিজার্ব একোমোদেসন পীরি।

অখন্নবা ত্রেনশিংনা পুরিদা পাঙথোক্লিবা কুঙ্মৈ অদুগীদমক অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী মী হোনে দাক হোঞ্জিনগী থবকসু পায়খৎলি হায়রি।

# টেরোরিষ্টনি চীংনবশিংনা এদেন এয়ারপোর্ট আর্মি হেদ ক্বার্টর খুদুম চনখ্রে

*এদেন, জুলাই ৬ঃ*

এদেন এয়ারপোর্ট আর্মি হেদ ক্বার্টর ঙসি টেরোরিষ্টনি চীংনবশিংনা লান্মী ৭ হাৎলবা মতুং খুদুম চনখ্রে হায়না মিলিটরিগী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

লান্মী কয়ানা ঙাক শেল্লিবা হেদ ক্বার্টর বিল্ডিং অদুদা টেরোরিষ্ট ২০ লোম্না চংশিল্লক্তুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি। পুং কয়া চুপ্না নোংমৈ কাপ্নরবা মতুং ঙসি অয়ুক খুদুম চনখিবনি হায়রি।



এদেন আর্মি হেদ ক্বার্টর অকোয়বদা থোমজিল্লক্লিবা লান্মীশিং

হেদ ক্বার্টর বিল্ডিং অদুগী মনুংদা লৈখিবা ওফিসারশিংগী মতাংদা পাউ অমত্তা ফংবা ঙমদ্রি। য়েমেনগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সহর অদুদা লৈবা আর্মি হেদ ক্বার্টর খুদুম চনখ্রে হায়নসু পাউগী লিখুল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

য়েমেনগী সাউদিনা শৌগৎপা বেজশিংদা লৈবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা আই এস আই অমসুং অল কায়দানা হঞ্জিন হঞ্জিন এটেক কয়া চথ্বরকখিবা লৈখ্রে। এয়ারপোর্ট অদুদা লৈবা মিলিটরি হেদ ক্বার্টর অদুদা লান্মীগী য়ুনিফোর্ম শেৎপা টেরোরিষ্টশিং অদু চংশিল্লক্রবা মতুং কার বোম অমসু এয়ারপোর্ট অদুগী চংফমদা পোকখায়খি। অদুগা অতোপ্পা কার বোম অমনা মনুংদা পোকখায়হল্লকখি।

বোম অনী পোকখায়খিবা অদুদা য়ামদ্রবদা লান্মী ৭ শীখ্রে। এটেক চথ্বরকখিবা মীওইশিং অদু জিহাদিশিং ওইরম্বা য়াই হায়রি।

খোরমার্ক্সর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা এয়ারপোর্টতা রি ইনফোর্সমেনসু চং শিনখ্রে। থা অমা চুপ্পা চরা হেনবগী থৌরম পাঙথোক্লুরবা মতুং ইদ-উল-ফিটর পাঙথোকখি। থৌরম অদু হেক লোইখিবগা এটেক অদু চথ্বরকখিবনি।

এদেন হিথাংফম সহর অদু লৈঙাক্কী লান্মীনা খুদুম চন্দুনা লৈরিবা মফমনি। চহী অমা রোম হাউদি রিবেলশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈরম্লবা মতুং লৈঙাক্কী লান্মীনা লৌশিনবা কুইদ্রিবনি।

মমাঙ চহীগী মার্চ থাদগী সাউদিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা কাংবু লান্মীনা লৈঙাক্তা মতেং পীদুনা লাক্লি। লান্মীগী পাউ অসিগী মতুং ইন্না থৌদোক অদুদা লৈখিদবা মীগী মশিং হেনগৎলকলিখবা য়াই হায়রি।

# ইদকা মরী লৈননা ইন্দিয়া, পাকিস্তান লান্মীশিংনা অথুম অহাও লান্নখ্রে

*জম্মু, জুলাই ৬ঃ*

ইদ-উল-ফিটরগা মরী লৈননা জম্মু অমসুং কাস্মির ঙমখৈদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং পাকিস্তান লান্মীগী মরক্তা অথুম অহাও লান্নখ্রে।

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স অমসুং পাকিস্তান রেঞ্জরশিংনা জম্মু দিষ্ট্রিক্টকী ইন্টর্নেসনেল বোর্দর পোষ্ট ওক্ট্রোইদা অমনা অমদা অথুম অহাও লান্নখি হায়না বি এস এফকী মচিন চৎপা অমনা ইন্দো-এসিয়া ন্যুজ সার্ভিসতা ফোঙদোরক্লি। ইদ-উল-ফিটর ঙসি মালেমগী মফম অতৈদা পাঙথোক্লবগুম পাকিস্তান অমসুং জম্মু এন্দ কাস্মিরদা পাঙথোক্লি হায়রি।

# খোঙজংলোইশিংগা খূৎ থোক্লবদা পুলিস, সিক্যুরিটি পার্সোনেল ২১ শোক্লে

*শ্রীনগর, জুলাই ৬ঃ*

কাস্মিরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা খোঙজংলোইশিংগা খূৎ থোক্লবদা সিক্যুরিটি অমসুং পুলিস পার্সোনেল ২১ শোক্লে। ঙসি শ্রীনগর অমসুং অনন্তনাগতা ইদ কুঙ্মৈগা মরী লৈননা মীয়াম্না লাই খুরম্লুরবা মতুং খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

পুলিসনা মীয়াম অদু তানখায়নবা লাথ চার্জ তৌখি লোয়ননা ট্যার গ্যাস সেল কয়া কাপখি। তুংদা লাকশিনবা ঙম্লক্তবদগী নোংমৈ কাপখি।



অনন্তনাগতা মীয়াম অমসুং পুলিস খূৎ থোক্লখিবা মতুং ওইখিবা শক্তম

খোঙজং চংশিল্লিবা মীওইশিংনা সিক্যুরিটি ফোর্স তম্না নুঙ লংশিল্লকখি। অনন্তনাগতা খোঙজং চংশিনখিবা মীয়াম্না তোখায় তানিংবশিংগী খোল্লাও কয়া লাউখি। মফম অদুদা সেনিয়র পুলিস ওফিসার অনী য়াওনা পুলিস পার্সোনেল ৯ অশোক অপন নংখি।

মীৎনা উহৌবশিংনা সাউথ কাস্মিরদা থোকখিবা থৌদোক অমগী মরমদা পাউদম্লদুনা হায়, পুলিসনা ইদগাহ গ্রাউন্দদা লাই খুরুম্লিবা মরক্তা ট্যার গ্যাস কাপশিল্লকখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্নদি মীয়াম হৌরক্তুনা পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সতা নুঙ লংশিল্লকপদা নত্তনা মীয়ামগী লন-থুম মাংহন তাকহন্নবা হোৎনরকখি। শ্রীনগর ইদগাহ গ্রাউন্দদা ইদ কুঙ্মৈগা মরী লৈননা মীওই লিশিং কয়া লাই খুরুমদুনা লৈখি।

খোঙজং চংশিনবশিংনা পুলিসকা মুক্লবদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি। মমাংদা ইদকী লাই খুরুম্বা তৌদনা মীয়াম্না খোঙজং চংশিন্নবা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্বা সেপরেটিষ্ট লুচিংবশিংনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখি।

জম্মু অমসুং কাস্মির হোম দিপার্টমেন্টনা কাস্মিরদা থোক্লিবা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিংগা মরী লৈননা মীওই কয়াগী মথক্তা লৈখিবা কেসশিং হন্দোকখিবা মতুং ঙসিগী নুঙনা থানবা অমসুং হিংশাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফতিগী য়াথং মতুং ইন্না মমাঙদা থোকখিবা খোঙজং কয়াগা মরী লৈননা মীওই ৬৩৪গী মথক্তা লৌখৎখিবা কেসশিং হন্দোকখিবনি হায়রি।

# বিহারদা ব্রজনা মীওই ৭ হাৎখ্রে

*পটনা, জুলাই ৬ঃ*

বিহারগী গয়া দিষ্ট্রিক্টতা ব্রজ তাবদগী নুপী অমসুং অঙাং য়াওনা মীওই ৭ শীরে। অদুগা ৬না অশোক অপন নংখ্রে হায়না পুলিসকী পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা মীওই ৭মক পটনাদগী কিলোমিটর ১০০ রোম চৎলগা লৈবা গয়াগী চাকন্দ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুঙ্গং অমদা লৈবা মীওইশিংনি।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টনা মীওই ৭ ব্রজনা পান্দুনা শীখ্রে হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়রি। কুমগী নোং চুরকপা হৌরকপগা লোয়ননা বিহারগী মফম কয়াদা অখাক অরাও য়াওবা অকনবা নোং চুরি। মখা তানা নোং চুখিবা য়াবগী ফিভমসু লৈরি।

মমাঙ থাদা পুং ২৪গী মনুংদা বিহার ষ্টেটতা ব্রজ তাবনা মরম ওইরগা মীওই ৫৭কী পুন্সি মাংখি। বিহারদা কুমগী নোং লাকপদা ব্রজা তাবা অনৌবা থৌওং অমা নত্তে। চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাগী ২শুবা চয়োলদগী কুমগী নোং লাকপা হৌরকখিবগা লোয়ননা বিহারদা ব্রজ তাবগী থৌদোক কয়া থোক্লি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating .any numbers*

**Hard Sana Suduku-632**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | | 1 | 5 |
| | | | | 5 | 8 | | 7 | 9 |
| 6 | | 9 | | | | | | |
| | 6 | 1 | 5 | | 3 | 4 | 9 | |
| | | | 6 | | 2 | | | |
| | 2 | 5 | | 4 | | 1 | | 3 |
| 2 | | | | 6 | 1 | | | 8 |
| | | | | 7 | | 9 | | 1 |
| 3 | | | 8 | | 5 | 2 | | 6 |

*সনা-সুদোকু- ৬৩১ গী সোল্যুস*

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 4 | 2 | 5 | 6 | 3 | 7 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 4 | 1 | 2 | 5 |
| 7 | 5 | 8 | 2 | 1 | 9 | 3 | 4 | 6 |
| 5 | 2 | 7 | 1 | 4 | 8 | 9 | 6 | 3 |
| 8 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 |
| 3 | 6 | 9 | 7 | 5 | 2 | 4 | 8 | 1 |
| 4 | 9 | 3 | 6 | 8 | 7 | 5 | 1 | 2 |
| 2 | 8 | 5 | 4 | 3 | 1 | 6 | 7 | 9 |
| 6 | 7 | 1 | 9 | 2 | 5 | 8 | 3 | 4 |

# অফগানিস্তানদা মশা শীজদুনা কার বোম পোকখায়হনবদা ৪ শীরে

*কবুল, জুলাই ৬ঃ*

অৱাং থংবা সারিপুল প্রোভিন্সতা ত্রাইবেল লুচিংবা অমগী ইমুং মনুংশিং তোংবা কার অমদা সুসাইদ কার বোম অমনা থেংজিন্দুনা পোকখায়হল্লকপদা মচানুপা অনী য়াওনা মীওই ৪ শীরে।

প্রোভিন্সিয়েল গভর্নরনগী ৱাঙাংলোই জবি অমানেনা ফোঙদোরকখিবদা ত্রাইবেল লুচিংবা রহিম খান সঙচারক দিষ্ট্রিক্টতা কার বোম এটেক চথ্বরকখিবা মতম অদুদা মহাক মফম অদুদা লৈখিদে।

ঙসি চথ্বরকখিবা এটেক অদু করম্বা লুপনা চথ্খিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মুস্লিমশিংগী মালেম শীন থুংনা পাঙথোকখিবা শেংলবা রামজান লোয়খিবা মতুং ইদ-উল-ফিটর থৌরম পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক্তা তমথিবা এটেক অদু চথ্বরকখিবনি।

অমানেনা মখা তানা হায়, চথ্বরকখিবা এটেক অদু ত্রাইবেল লুচিংবা রহিম খানদা অতম্বনা চথ্নবা হোৎনবা ওইরমগনি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা মীচম অমসু অশোক অপন নংখি।

অফগানিস্তানদা লালহৌ থবক চথ্বরিবা টলিবানশিংনা ষ্টেট শীন থুংনা ত্রাইবেলশিংগী মথক্তা এটেক চথ্দুনা লাক্লি। মদুতা নত্তনা লৈঙাক্কী ওফিসিয়েলশিং সিক্যুরিটি ফোর্সতসু লেপ্পা লৈতনা এটেক চথ্বরি।

অফগানিস্তান হৌজিকসু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্লরি। ফিভম অসিদা মালেমগী লৈবাক কয়ানা মীৎয়েং চংবা হৌরক্লগনি হায়রি।

# সিরিয়া লান্মীনা লৈবাক শীন থুংনা পুং ৭২ সিজ ফায়র লাউথোকখ্র

*দমাস্কস, জুলাই ৬ঃ*

শেংলবা রামজান থা লোইখিবগা লোয়ননা ইস্লামগী মালেম শীন থুংনা পাঙথোকপা ইদ-উল-ফিটরগা মরী লৈননা লৈবাক শীন থুংনা পুং ৭২গী ওইবা সিজ ফায়র লাউথোকখ্রে।

সিরিয়া লান্মীনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা সিরিয়ান আরব রিপাব্লিক্তা জুলাই ৬কী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১দগী লৈবাক শীন থুংনা সিজ ফায়র লাউথোকখ্রে।

সিরিয়াদা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্টনা আইননা য়াদবা মওংদা অমুক হন্না প্রসিদেন্ট ওইরকখি হায়বা মরাল শীদুনা ওপোজিসন অমসুং লৈঙাক অনীগী মরক্তা সিভিল ৱার থোক্লখি। লাল অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা মীওই লাক্ষ ২ রোম শীহনখ্রে। অদুগা মিল্লিয়ন কয়ানা লাঞ্জেনখ্রবনি হায়রি।

# কেবিনেট রিসফল তৌবনা অফবা ফল লাক্কনি ঃ এম ভেঙ্কয়া নাইদু



ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেঙ্কয়া নাইদু

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ৬ঃ*

য়ুনিয়ন কেবিনেট মিনিষ্টর চাওথোকহনখিবা অমদি রিসফল তৌখিববু চুম্মী হায়বা প্রমান পীরদুনা ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মিনিষ্টর ৭৮ লৈবা হায়বসি ইনি দয়াগুম্বা তোঙান-তোঙানবা চৎনা লোনচৎ লৈবা অমদি পাক চাওবা অসি য়েংলগদি মশিং য়াম্বা নত্তে।

কেবিনেটশিংগী চার্জ লৌখ্রবা মতুং লুচিংবা অদুনা ঙরাং পাউমীশিংদা হায়, রিসফল তৌবা অসিনা অফবা ফল মীয়ামগী মায়কৈদগী পীরক্কনি। মদুতা নত্তনা ওপোজিসনগী মায়কৈদগীসু অফবা ৱাফম ফোঙদোরক্কনি থাজে।

ফনা উবা ঙমদবা মীওই কয়া অমসু লৈরি। কন্সটিট্যুসনগী মতুং ইন্না প্রাইম মিনিষ্টরগী কেবিনেটতা চাদ ১৫ লৈবা য়াই। অশুক চাওখ্রবা লৈবাক অসিদা ঐখোয় মদুগী মনুং চল্লিবনি। লৈবাক অসিদা অচৌ অচৌবা ৱাথোক কয়া থোক্লি। মদুগীদমক চাওনা শেম শাবা তঙাইফদে।

লৈবাক অসিগী পাক চাওবা অমসুং লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা ইশুশিংদা লুচিংবা অদুনা হায়, ষ্টেটশিংগা খূৎশম্নদুনা মরোল অহুম নাইবা ইন্সটিট্যুসন অসিদা মিনিষ্টর ৭৮ খক্তমক লৈবা হায়বসি চাওবা নত্তে। প্রাইম মিনিষ্টরনা অফবা লৈঙাক পুবা রোমদা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লি। মদুগীদমক মতেং পীনবা, য়েংশিনবা অমদি মথৌ তৌহনবা দরকার ওইরি হায়খি।

ওপোজিসন কাংবুনা ঙরাং মিনিষ্টর মশিং হেনগৎহনখিবগী মতাংদা ৱাহং কয়া হংবা হৌরক্লে। প্রাইম মিনিষ্টরনা মীখলগী মতমদা মিনিমম গভর্নমেন্ট অমসুং মেক্সিমম গভর্নেন্স লৈহনগনি হায়না ৱাশকখিবনি হায়রি।

ঐচ আর দি মিনিষ্টর স্মৃতি ইরানিদগী ফম অদু লৌথোক্তুনা টেক্সটাইল মিনিষ্টর ওইহনখ্রে। হিরম অদুগী মতাংদা কুপ্না য়েংশিল্লকপগী দারকর ওইদে হায়নসু ফোঙদোকখি।



## GAS TODAY

**R & H INDANE SERVICE**
Booking upto .......13/06/2016
Valid from ........... 09/06/2016
Stk.................................612(DBTL)
Timing.........8.00 to 11.00 am

**KHONGNANG GAS SERVICE**
Booking upto .......07/04/2016
Valid from ........... 05/04/2016
Stk.................................306(DBTL)
Sl. No. 2283-2364 & 001-169
Timing.........7.00 to 10.00 am

**MAIBIA GAS, MOIRANG**
Booking upto .......05/07/2016
Valid from ........... 04/07/2016
Stk.................................318 (DBTL)
Sl. No. ..............................3020
Timing.........7.00 to 11.00 am








## St. GEORGE COLLEGE

Affliated to Bangalore University, RGUHS & Approved by AICTE, INC (Recognized by the Government of Karnataka)

**ADMISSIONS OPEN 2016**

COURSES www.stgeorgecollege.org

| | | |
|---|---|---|
| M.Sc. (Biotech) | B.Sc. (Genetics) | BCA |
| M.Sc. (Microbiology) | B.Sc. (Comp. Sc) | BBM |
| M.Sc. (Biochemistry) | B.Com (Com) | MSW |
| B.Sc. (Biotech) | B.A (Journalism) | MBA |
| B.Sc. (Microbiology) | B.Sc (Nursing) | GNM |
| B.Sc. (Biochemistry) | P.C.B.Sc (Nursing) | |

SL/B/Upto 15 July 2016

**For Admission Assistance**
Homendro Singh
Career Info Solutions, New Checkon Road, Near ICIC bank, Imphal East, Manipur. Ph:8415033773/8413976991



## STUDY MBBS IN ABROAD

**BANGLADESH, KAZAKH, CHINA, PHILIPPINES**

Plz Contact :
Atawar Rahman A.S. Education Trust, Khergao Thambalkhong, Near Cambridge School, Old Campus Imphal.

Note : Available Lone Facility, Term & Condition require

No Service Charges, Scholarship Available

SINCE 2003

SL/B/Upto 11 July 2016

Contact No. : 9856363129, 9615706900, 8257053310, 0385-2445341



## SPOT ADMISSION FOR

Top Colleges in India for the following courses :

Assistance in Education Loan — Drop up facility upto College Hostel

❖MBBS ❖B. PHARM ❖BSc. Nursing ❖BHMS ❖B.P.T. ❖GNM ❖BDS ❖BAMS ❖B. Tech
❖Robotics ❖Civil, Mech. ❖CS ❖EEE ❖ECE ❖IT ❖Petroleam ❖NANO ❖BHM
❖BBA ❖MBA ❖BSc. Agri ❖Forestry ❖HOTI ❖BFAD ❖Food Tech. ❖BCA ❖MCA

Avail Limited Scholarship — 100% Placement Assistance

For details :-
**Career Info Solution**
New Checkon Road near ICICI Bank
Contact us @ 9089762725

SL/B/Upto 14 July 2016



## DIRECT AND SPOT ADMISSION

**BE B.Tech** — 4 Yrs. DEGREE Course in :
• Computer Science • Information Technology • Civil • Electronics & Comm. • Electrical & Electronics • Mechanical • Architecture

**M. TECH** — • Computer Science • Machine Design • Computer Sc. & Network • Electronics • Civil Structural • Civil-Geo Technical

**MBBS/BDS/MDS/BAMS**
B.Sc in Forestry, Agriculture, Horticulture, Fishries
B.Sc in Medical Lab Technology
B.Sc in Medical Microbiology, Maths, Physics
B.Sc in Optemetry, OT, Computer Sciences
Radiography, FND/M.Sc Food
Nutration & Dietetics, Fashion Desining

**M.Sc./B.Sc. :**
✓ Bio Technology ✓ Micro Biology ✓ Bio Chemistry ✓ Applied Genetics ✓ Nursing ✓ Physiotherapy

**DIPLOMA :** MLT, Radiography Tech, Physotherapy Tech, Dialysis

MBA | Pharm.D
MCA | D.Pharm
BBA | B.Pharm
M.Pharm
BCA | B.Ed
PGDM | D.Ed

SL/B/Upto 15 July 2016

BHM | B.Com | M.COM | BSW | B.A. Animation, Multimadeia | Tourism | M.A. Cinema & Telivision

HURRY ! AT TOP RANKING COLLEGES IN INDIA AND ABROAD. THE ADMISSION CONFIRMATION LETTER WILL BE RECEIVED WITHIN 10 MINUTE - 100 % JOB PLACEMENT AND FREE LAPTOP.

Contact : NEW WAY CONSULTANCY & PLACEMENT (R), Babupara, BOSEM Leirak, Imphal
# : 8119996590 / 8575326215 / 8794525328 / 8119944133